# এম এল এ রঞ্জিৎকী দিস্কসন মীয়ান্না পান্না য়েংনখি হায়না ফেসবুক মেতানা খঙহল্লকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী সেপ্টেম্বর ২দগী হৌরগা ৭ ফাওবা পূন্না সিটিং ৩ লৈদুনা চথখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী ৮শুবা সেসনদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৫না হাউসকী তোঙান-তোঙানবা দিস্কসনশিংদা শরুক য়াখিবগী ভিদিও ক্লিপশিং ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস মণিপুরগী ফেসবুক পেজদা থাগৎপা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা নন ফোলোৱরস মীওই মিল্লিয়ন ৩ হেনবনা য়েংনখ্রে। এম এল এ কে রঞ্জিৎকী দিস্কসন অদু মীয়ান্না খ্বাইদগী হেন্না পান্না য়েংনবা ওইখি হায়না ফেসবুক মেতানা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস মণিপুরগী ফেসবুক পেজগী এসিস্টেন্টদা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসনা দি দি কে ইমফালগী য়ুটুব লাইভ ষ্ট্রিমিংদা থাগৎলকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী সেসনদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৫না তোঙান-তোঙানবা এসেম্ব্লিগী ক্বেসন অৱার, শোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসন, জিরো অৱার, দিমান্দ দিস্কসন, কোল্লিং এটেন্সননচিংবা বিজিনেসশিংদা শরুক য়াদুনা দিস্কসন তৌনখিবগী ভি দি ও ক্লিপশিং কোংগ্রেসকী ফেসবুক পেজদা থাগৎখিবা চয়োল অমগী মনুংদা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস মণিপুরগী ফেসবুক পেজগী ফোল্লোৱর্স নত্তবা নন-ফোল্লোৱর্স মিল্লিয়ন ৩ হেনবনা য়েংনখি হায়না ফেসবুক মেতানা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

হৌজিক সেপ্টেম্বর ৮দা ফেসবুক মেতাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস মণিপুর ফেসবুক পেজগী এসিস্টেন্টগী প্রোফেস্নেল দাসবোর্দতা 'লেজিসলেটিভ ক্লিপস আর রিচিং ন্যু ভিয়ুর্স' হায়না থারকখিবা অদুদা 'কন্সিদর শিয়ারিং মোর হাইলাইটস ফ্রোস দিস স্পেসিফিক স্পিকর' হায়না এম এল এ কে রঞ্জিৎকী ভি দি ও শরুক্কা মীয়ান্না হেন্না পান্না য়েংনবা ওইবনা ভি দি ও খরা হেন্না থাগৎলক্কবগী ৰাফমসু থন্নকখি হায়না ইন্দিয়ান নেসনেল কেংগ্রেস মণিপুর ফেসবুক পেজ পায়রিবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# সুসাইদ হায়বসি চিন্দা ফাওবা পলহৈদবা...

লমায় ১গী মখা...মমাংঙৈদসু লাইনিং লাইশোন হায়বদি ধর্মশিংনা য়ারমদে। সুসাইদ তৌবা হায়বসি লোনসু য়াদে। মশাগী পুন্সি ওইরবসু মশা মথন্তা শিজবগী রাইট লৈতে। অদুবু মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক অসি মালেমদা লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। মালেমগী চহী অমদা মীওই লাক্ষ ৮ লোম সুসাইদ তৌদুনা শিরি। সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মীওই অমা সুসাইদ তৌদুনা শিবা হায়বদুসু ওইরি। সুসাইদ তৌনবা হোৎনবদা শিহৌদবা মীওই কয়া অমসু লৈ। শিহৌদবা মীওইশিং অদুগী পুন্সি শোইনাইবা অমা ওইনা হিংবা কয়া অমসু য়াওরি। নেসনেল মেন্টেল হেল্থ ক্যের এক্ট ২০১৭ লাকপদগী সুসাইদ তৌরিবা মীশিং অসি মরাল লৈতে। ভিক্টিম অমনি হায়না লৌরদুনা সুসাইদ তৌনবা হোৎনরম্বা মীওইশিংবু নুংশিনা লোইনবগা লোয়নননা সপোর্ট তৌবিগদবনি হায়বা ৰাফম লাকখ্রে। মরম অদুনা সুসাইদ তৌনবা হোৎনরল্লিবা মীওইশিং অদুদা চৈরাক পিদ্রে। অথুবদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না থৌরাং কয়া পায়খৎলকখ্রে।

সুসাইদ তৌনবগী ঈহুল ফাওহল্লকপগী মরম কয়া অমা লৈ। পুক্লিং ৰাখল শোন্থরকপা, নুংশিবদা কায়নবা, পেন্দবা থৌদোক-ৰাথোক থোক্লকপা, একাদেমিক প্রেসর লৈবা, মমা-মপা অমদি ওজাশিংনা প্রেসর পীবা, দিপ্রেসন লৈবা, সাইকোজিষ্ট, ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা, লোন শিংবা ঙমদবা, মরৈবাক মরমদমগীদমক শিজবা, মশা মশাদা প্রেসর পীজবা, নীংবা কায়রকপা অমদি ইকায়বা নংবদগী সুসাইদ তৌনবগী মরম ওই। করিগুম্বা মীওই অমদা সুসাইদ তৌনিংবগী ৰাখল্লোল ফাওরকপা অমদি হান্না উরমদবা মওং-মতৌ তৌরকপা উরগদি মীওই অদুবু নুংশিনা লোইনবিবগা লোয়নননা মরি লৈনবা দোক্তরশিংগা তান্নবিহৌবা চুমগনি। সুসাইদ তৌখ্রবা ইমুং অমদা চৎনবি অমা ওইনা মচা-মশুশিংদা চথনরকপগী থৌওং থোক্তবসু নত্তে। সুসাইদ তৌনবা হোৎনরে হায়না খঙলবদি মীওই অদু য়ান্না চেকশিন্না শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। সুসাইদ তৌগল্লিবা চহী অসি ১৫ দগী ২৫ ফাওবগী মরক্তা লৈবা নহাশিংদনা ওইগল্লি। মরম অদুনা চহী অসিগী মরক্তা লৈরিবা নহাশিংনা ঐগী খুৎতা পূন্নমক লৈতে হায়বগী ৰাখল্লোলদা পুকচেল চাউথোক্লা হিংবা তমগদবনি হায়রি।

# মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎকদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ জৱাহার নবোদয়া বিদ্যালয়াগী ওইনা পাঙথোকপা ২৭শুবা নেসনেল য়ুথ পার্লিয়ামেন্টতা মকোক তারকখ্রবা মণিপুরগী পিএম শ্রী জৱাহার নভোদয়া বিদ্যলয়া উখুল-১, মণিপুর (শিলোং রিজন) গী মহৈরোইশিংদা হয়েং পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স এন্দ মাইনোরিটি এফিয়ার্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎকদৌরি।

২৭শুবা নেসনেল য়ুথ পার্লিয়ামেন্টতা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদু হয়েং ন্যু দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা জি এম সি বালায়োগী এদিটোরিয়মদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওনা পাঙথোকখিবনি।থৌরম অদুদা কম্পিটিসন অদুদা অহানবা মনা ফংখ্রবা মণিপুরগী পি এম শ্রী জৱাহার নবোদয়া বিদ্যালয়া উখুল ১, মণিপুর (শিলোং রিজন) গী মহৈরোইশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মনা পীদুনা ইকায় খুন্নবা উৎপগা লোয়নননা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা 'য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট সিট্টিং'গী পর্ফোমেন্স অমুক হন্না উৎখি।

# অথীংবা লৌথোক্লে...

লমায় ১গী মখা... চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, পিপলস ৰেলফেয়র এসোসিয়েসন লম্বোই খোঙনাং মখোঙগী মরুপ এজেন্ট সি ঐচ মিলন এলাইজ ইনাও, আর কে হেরাচন্দ্র এলাইজ তোম্বা অমদি এম রঞ্জিৎ এলাইজ অপিক হায়রিবা মীওই ৩ লুপ্তা চঙজরক্তুনা মখোয় অহুমগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া লৈরম্বা অদু লুপকী কাদরশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৰাখল তামিন্নরবা মতুংদা লেপ্তুনা লৈরুরবা মরুপ ঙসিদগী মখা তানা মরুপ লাউবা য়ারে হায়না খঙহল্লি। মতুংদা মখোয় অহুমগী মরক্তা নিংঙাই শঙদানবা তৌদনবসু লুপকী মায়হকৈদগী পাউতাক কয়াসু পীখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# নেসো, মসাদ, ফিল্ম ফোরম য়াওনা মায়কৈ...

লমায় ১গী মখা... অচান-মীরাই নাইদবা মওংদা থিজিন্দুনা অহকপা চৈরাক থেংথদনা পীগদবনি। দেল্লিদা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং কয়া হাৎতোকপীখ্রে, কয়া অমনা ওৎপী নৈবিরি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈঙাক্লা চপচাবা এক্সন অমা লৌখৎপীদ্রবদি মখা তানা অদুমক নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংদা থোক্তুনা লৈখিগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লোগী মতেং লৌদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক য়ান্না ট্রান্সপরেন্সি ওইনা পায়খৎপিয়ু। নোর্থ ইষ্টকী মীয়ান্না দেল্লিদা থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা লোয়নননা ইন্দিয়াগী সিটিজেন্ট নত্তবগুন্না চথরিবা থৌওং অসি মখা তানা থোক্তনবা সেফটি অমদি দিগনিটি লৈনা লৈজবা ঙন্নবা মেকানিজম অমা পুথোকপীয়ু। লোয়নননা লৈখিদ্রবা চোংথাম বিক্রমগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দেল্লি (মসাদ), মণিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুথ সেন্টর (এম আই ৰাই সি), পিপলস প্রোগ্রেসিভ এলাইন্স মণিপুর (পি পি এ এম), হ্যুমেন রাইটস অলর্ট (ঐচ আর এ) গী মায়কৈদগীসু চোংথাম বিক্রমবু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীরম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা দিমান্দ কয়া তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি-১ হজারিময়ুম রোজিনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা দেল্লিদা লৈবা চোংথাম বিক্রমবু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর গোরখা ৰেলফিয়র য়ুনিয়ন অমদি ওল মণিপুর গোরখা এক্স সার্ভিসমেন (দিফেন্স এন্দ সি এ পি এফ) এসোসিয়েসন্নসু মণিপুরগী ম্যুজিক্সিয়ান চোংথাম বিক্রমবু ন্যু দিল্লিদা মীনুংশি লৈতনা হাত্তোকপীখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

য়ুনিয়ন অমদি এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীহাৎ অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক, দিল্লি লৈঙাক অমদি দিল্লি পুলিসনা অকক্লবা মতমগী মনুংদা ময়েক শেংবা ইনভেষ্টিগেসন চথগদবনি। ভারতিয়া ন্যাই সনহিত্য (বি এন এস) অমদি মথৌ তাবা লোগী মতুং ইন্না মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীনবা থবক পায়খৎকবনি। দিল্লি অমদি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মীওইশিংবু চপ চানা ইকায় খুম্নবা থমদুনা মান্নবা মীৎয়েং য়েংনবা থবক পায়খৎকদবনি। হন্থনা য়েংবা মীৎয়েংগা লোয়নননা ক্রাইম চথবশিংগী মথক্তা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়বদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চপ চানা উৎকদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# এএপিএস য়ুনা কুকি গ্রুপতা নথৌ নত্তনা...

লমায় ১গী মখা... ৰাফম অদু য়ুন্স্ফম য়াওদবা মরী লৈনদবা ৰাফম অমনি। নথৌ নত্তনা নথৌ শরক্কনু হায়না অকনবা ৰাফম ফোঙদোরকখ্রে।

কে ঐচ আর সিনা অরুনাচল প্রদেশতা চথরিবা এস আই আরগা মরী লৈননা এন ঐচ আর সি অমদি য়ুনাইটেদ নেসনদা চেরোল পীশিনখিবা অদুবু রিএক্ট তৌরদুনা এ এ পি এস য়ুগী প্রসিদেন্ট মজে তাকুনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা অরুনাচল প্রদেশতা চথরিবা এস আই আরগী এক্সর্সাইজ ই অসি ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ইন্দিজিয়ন মীয়ামদা বেজ তৌরগা চথবা এক্সর্সাইজ অমনি। চুরাচান্দপুর অমদি লমকাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অমনা অরুনাচলদা চথরিবা এস আই আরগী এক্সর্সাইজ অসিদা খুৎ থীংজিনবগী মথৌ তাদে। অরুনাচল প্রদেশকী ইশু অসিবু কে ঐচ আর সিনা ইন্টরনেসনেল ইশু অমা শাগৎনবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসি কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অমুকোনা অৱাবা ...

লমায় ১গী মখা... ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অমুকোগী সেক্রেটরী পল্লিসিটি হৈস্নাম ফোরেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওজা কমলকান্তনা হিংলিঙৈ মতমদা ইরমদম ইমা লৈবাক্কী অমদি অসামগী কছারদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগীদমক থবক থৌরম কয়া মাঙজিল থানা চোকথাবা নাইদনা থৌদাং লৌরমখিবনি। অসিগুম্বা মীওই অমনা লৈখিদবা অসিনা কছার লমদমগী অমদি ইমা লৈবাক মণিপুর খুন্নাইগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবা ওজা কমলকান্তগী ইমুং মনুং, মরী মতানা থেংনহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়নননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু অমুকোগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# অর্জেন্টিনাদা সমুদ্র খঙহৌদনা কংখিবগী...

লমায় ১গী মখা...

ওসিনগী মনুংচনবা ব্যুনস আয়র্স সমুদ্র ইখঙ খঙহৌদনা কংখ্রে। সমুদ্র অদুদা থৌরম্বা অচৌ অচৌবা জহাজ কয়া সমুদ্রগী কংলবা মফমদা খামদুনা লৈবা অমদি সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা লৈরম্বা চীং মচা-মচাশিং উরকখ্রে হায়না ভাইরেল ওইরকখিবা অদু অচুম্বা থৌদোকনি। অদুবু থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মালেমদা ইনভাইরোনমেন্টদা চাউনা অকায়বা থোক্লক্তুনা প্রলায় লাক্লগনি হায়না অকিবা ফংনা শন্দোক্লিবা পাউ অদুদি লানগনি হায়রি।

অর্জেন্টিনাগী ব্যুনস আইর্সতা লৈবা সমুদ্রদগী ঈশিং কংখিবা অদু মপুং ফানা হেক্তা ইকং থোক্লা কংখিবা নত্তে। লোয়নননা সমুদ্র অদুদা লৈরম্বা ঈশিং পুন্নমক অদুসু মাঙখিবা নত্তে। মমাং থা ওগষ্টকী অরোইবা চয়োলদা ইখঙ খঙহৌদনা থোক্লকখিবা সমুদ্র কংখিবগী থৌদোক অদু য়ান্না তমথিবা মালেমদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমা ওইদে। থৌদোক অদু টেম্পররি নেচরেল ফেনোমেনন অমনি হায়বদি মতম খরগী ওইবা মহৌশাগী থৌওং অমনা থোকহল্লকপনি হায়রি।

সমুদ্রগী ঈশিং কংখিবা থৌদোক অচুম্বনি। অদুবু নুমীৎ অদুদা অদুমক সমুদ্রদা ঈশিং কারকখি। থৌদোক অসি সমুদ্রদা থোকপা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ, ইথক-ইপোম হায়থখিবা অমদি সমুদ্রদা থোকপা চক্রনা ওইহল্লকপনি। লোয়নননা থৌদোক অদু এটমোসফিয়ারগী অচৌবা প্রেসর অমনসু থোকহল্লম্বা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

# কুকি তাবা মফমদা তাঙ্খুল অমসুং ...

লমায় ১গী মখা... হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মশক থোকপা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লৈরি। অসুন্না মখা চথদুনা লৈরবদি হায়রিবা তাঙ্খুল অমসুং লিয়াংমাই ফুরুপকী চথোক চৎশিন্দা কুকিশিংনা থীংলকপা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈত্রে। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা কুকি খক্তগী চথরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ খুদক্তা হন্দোকহনগদবনি, মসিনা অরোইবা ৰার্নিংনি। করিগুম্বা হন্দোকহন্দবা থোক্লবদি কাউন্টর ইকোনোমিক ব্লোকেদ হৌরগনি। মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্বা মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ১৯৫১ বেজ ইয়ার ওইনবগী ফিরেপ...

লমায় ১গী মখা...

ওইনদি মীয়ামগী ৰারেপ থবক ওইনা পায়খৎলক্ত্রবদি সেপ্টেম্বর ১১দগী সেন্টর অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং থবক কাবা থিংজিন্নবা শেম-শাবা লোয়রে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা নেসনেল হায়ৰেদা মপুং ফানা চংথোক চংশিন য়াদনা লৈরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপগী মতম য়ৈথোক্লবা হায়দুনা জে এফ দিনা মীয়ামগা লোয়নননা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। সেন্সস পাঙথোকপদা মীয়ান্না অথিংবা থম্বা নত্তে। অদুবু এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দাক্লবা মতুং ময়েক শেংনা সেন্সসকী থবক থৌরম পায়খৎলু হায়বনি। এন আর সি অপদেট তৌরবা তুংদা সেন্সস পাঙথোক্লবা মীয়ান্না থল্লিবা ৰাফম অসি লৈঙাক্লোইশিংদা ময়েক শেংনা ৰাখল তাহন্নবা মীয়ান্না তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাকপশিংনা ৰাখল তাবগী মমি থোয়না উদ্রি। মসিমক মশাগী য়েলহৌ ফুরুপ কন্নিংদবা, চহী ৫ খক্কী এম এল এ ফম পান্বা থৌওংনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। ষ্টেট এসেমব্লিদা এন আর সি অবদেট তৌনবগী ৰারেপ লৌরবসু কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইনবা চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাউথোকপা ঙমদ্রবদি জে এফ দিনা মীয়ামগা লোয়নননা লৌখিবা ৰারেপ অদুমক থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা খোঙজং অদুমক চঙশিনগনি। মসি খঙনা লৈঙাকপশিংনা অথুবদা মথৌ তাবা থবক পায়খৎনবা হোৎনৌ হায়খি।

# মালেমগী খ্বাইদগী তোলোপ চাউনা ফংবা...

লমায় ১গী মখা...

থৌরম হেন্না থম্মোয় শেংনা অমদি নীংথিনা তৌনবগী পান্দমদা হেনগৎলকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা সিঙ্গাপুরগী পি এম লোরেন্সকী মতুংদা চহীগী তোলোপ খ্বাইদগী য়ান্না ফংবা লুচিংবশিং অদুদি হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ জোন লি লুপা ক্রোর ৬.৭৯, স্বিটজরলেন্দগী প্রসিদেন্ট গোয় পরমেলিন লুপা ক্রোর ৫.৭২, আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প লুপা ক্রোর ৩.৭৭

লোয়নননা জর্মনগী চান্সেল্লর ফ্রেদরিক মর্জ লুপা ক্রোর ৩.৪৭, কেনাদগী প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক কার্নি লুপা ক্রোর ২.৯১, জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সনাই টকাইচি লুপা ক্রোর ২.৩৭, বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্দি বর্নহেমনা লুপা ক্রোর ২.১৮, ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন লুপা ক্রোর ১.৬১ অমদি ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর জোর্জিয়া মেলোনিনা চহীদা লুপা লাক্ষ ৮৬ ফংই হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থাগী তোলোপ অসি লুপা লাক্ষ ২.৩৩ নি। চহীগী ওইনদি লুপা লাক্ষ ২৭.৯৬ লোম ফংই। অদুগা প্রসিদেন্ট দ্রোপদি মুরমুরগীনা থাগী ওইনা তোলোপ লুপা লাক্ষ ৫ নি। চহীগী ওইনদি লুপা লাক্ষ ৬০ রোম ফংই হায়রি।

# দিলিমিটেসন মাঙওইননা এন আর সি ...

লমায় ১গী মখা...

মণিপুরগী তম্পাক্কী মীয়ামদা পীগদবা পোলিটিকেল পাৱরগী অওনব চৈথেং অদু লৈঙাক্লা খন্নফম থোকই হায়না থোংজু এসেম্বলি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং লিবা থিংঙুজম ওক্সফোর্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খোঙমনদা লৈবা সোসিয়েল ৱার্করস কোংগ্রেস এস দব্লিউ সি ক্লবকী ৪৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৰাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

এস দব্লিউ সি খোঙমনগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দিগী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসরসু ওইরম্বা টিঐচ ওক্সফোর্দনা পাউমীশিংদা হায়, এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা মীয়ান্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মপুং ফানা শৌগৎলি। এন আর সি অপদেট তৌদনা ষ্টেট অসিদা দিলিমিটেসন পাঙথোকখ্রবদি মরুওইনা তম্পাক্কী মীয়ামগী পোলিটিকেল পাৱরদা অচৌবা অওনবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীরক্কনি। মসি খঙনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা থৌশিল য়াৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অদুনা দিলিমিটেসন মাঙওইননা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মতম চানা তকশিলহৌবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মীয়াম অমদি লৈঙাক্লসু হীরম অসিগী মতাংদা মুন্না ৰাখল খন্থবা মরু ওই।

মহাক্লা হায়, এস দব্লিউ সি ক্লবনা ঙসি ফাওবদা খোঙমন মায়কৈ মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক কয়া পায়খত্তুনা লাক্লি। ঙসিসু ক্লব অসিগী মপোক কুমওন নুমিত্তা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বগী মার্ক ৰাংনা ফংলক্লবা মহৈরোইশিং য়াওনা শান্নরোইশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মনা লান্থোক্লদৌরি। মসিমক অফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। ক্লব অসিবু ফিভম অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা লৌরম্বা থৌদাং অদু মীরোল অসিনা ইকায় খুন্নফম থোকই হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস দব্লিউ সিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রিটয়র্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন ওফিসর অথোকপম বিরেন্দ্রনা হায়, এস দব্লিউ সি ক্লবনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা ইসু কয়াদা মাঙজিল থানা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা এন আর সিগী খোঙজং অসিসু মপুং ফানা শৌগৎলি। এস দব্লিউ সি ক্লবকী ৪৪শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনা লাকপদা ঙসিসু শিংজমৈ অকাম্পাৎতা লৈবা রিলিফ কেম্পতা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংখি। তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদসু ক্লব অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি শান্নরোইশিংবু য়োকখৎনবা অঙম্বা থৌদাং লৌখিগনি হায়খি।

খোঙমন গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়রপার্সন মোইরাংথেম নুংশিরৈনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস দব্লিউ সি ক্লবকী লাইওইখ্রবা অহল-লমন অমদি লেন্দ দোনরশিংগী ফোটোদা মীয়ান্না হৈকৎ লৈকৎতমদুনা ইকায় খুন্নবসু উৎখি।

# সাইলেন্ট মাস রেল্লি য়ৈথোক্লে...

লমায় ১গী মখা...

অসিনা তান্দুনা লাকপা মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িজ, ৱার্করস, পেন্সনর অমদি পেন্সনরগী ইমুং মনুংশিংগী মরম চাবা দিমান্দ ১০ থবক্তা ওন্থোকউ হায়দুনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা মপুং ফাবা থবক পায়খৎপা লৈত্রি। শেল লৈতে হায়দুনা থবক পায়খত্তনা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা ইমপ্লোয়ী ৱার্কর অমদি পেন্সনরশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনসু লাক্লি।

মণপুরদা থোক্লিবা ইৰাং অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা ষ্ট্রাইক চথরিবশিংগগী মরক্তা চহী অসিগী জুলাই ৩ অমদি ৬তা মীফম পাঙথোক্লবা মতুং লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী থাংজ নুমিৎ ছুটি অমক হন্না ওইহল্লকখি। মসিদা নত্তনা দি এ / দি আর চাদা ৩ পীবগী য়ান্নবা অমা থল্লকখি। অদুম ওইনমক জে এ সি অসিনা তান্দুনা লাকখিবা অতোপ্পা দিমান্দশিংদি থবক পায়খত্তনা লৈরি।

মহাক্লা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা সেঙ্কসন পোষ্ট লীশিং ৫০গী মথক্তা ভেকেন্সি লৈরি। মতম চানা থবক কৌদুনা অৱাৎপা ভেকেন্সি অসি মেনখৎতবনা থা অমদা চাউরাক্লা ক্রোর ২৮৭ লোম মাঙহন্দুনা লৈরি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি চহীরোমদা পারুরবদি ক্রোর ৩৪৪৪ রোম অদুম মাঙদুনা লৈরবনি। হাংদুনা লৈরিবা সেঙ্কসন পোষ্ট মশীং অসি মতম চানা মেনশিন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনহৌদ্রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ককথৎখিদুনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী লৈরিবা ইকোনোমিষ্টশিং য়াওনা অখঙ-অহৈ অমদি মহৈরোইশিংনা ভেকেন্সি লৈরিবা অসিগী মতাংদা মুন্না খন্নদুনা লৈঙাক্লা থৌশিল পায়খৎনবা হোৎনহৌবা চঙই। মদু নৎত্রবদি মাঙজগদৌরিবা অসি লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা মীরোল অসিদনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙমিন্নবা মরু ওই। জে এ সি অসিনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং থবক পায়খৎত্তবগী মায়োক্তা থা অসিগী ১১দা সাইলেন্ট মাস রেল্লি অমা চৎনবা থৌরাংলম্বনি। অদুবু এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়দুনা জে এফ দি অমদি মীয়ান্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎপা ওইনা রেল্লি অসি মতম খরা য়ৈথোক্লে। অদুমক ওইনমক তাল্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি অনৌবা মতম অমা লেপ্তুনা রেল্লি অসি চৎকনি হায়খি।

# চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা...

লমায় ১গী মখা...

মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা মীহাৎ অসিগী জষ্টিস ফংহল্লু হায়না নাগা ফুরুপকী মায়কৈদগী তৌরকখিবা দিমান্দ কয়াদা ঙসিদি নাগাশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক অসিদা পেন্নদবগী মমি কয়া অমা উরকপদগী অনৌবা লৈঙাক অসিগী লৈঙাক্লোন্দা মীয়ান্না ৰাহং কয়া হংনরকপনি।

নাগা মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নৈ হায়রিবা কে এন এফ-পিগী লুচিংবা থাংবোই কিপগেন অসি মণিপুরগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নেমচা কিপগেনগী নুপানি। মরম অসিনা নেমচা কিপগেনদগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ফম লৌথোকউ হায়বসি নাগা ফুরুপকী মীহুৎশিং য়াওনা মীয়ামগী অপাম্বা ওইরি। মসিমক দিমান্দ তৌরদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা ৮শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মীফমগী অরোইবা নুমিৎতা নাগা ফুরুপকী মীহুৎ অমত্তনা এসেম্ব্লি মীফম শরুক য়াখিদবনি। হৌজিক্লা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা নাগা ফুরুপকী মমিং লৈরবা ফ্রিদম ফাইটর রানি গাইদিনল্যুগী শাগৎলিবা ম্যুজিয়ম য়েংশিনবা চৎপা ফাওবা নাগা ফুরুপকী অচৌবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা বোইকোট তৌরক্লে। অসুন্না অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী হান্না ইৰাং থোক্লম্বা মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা উংখৎনরম্বাশিং তপ্না তপ্না শাফরকপগী অফবা মমি অমা উরিবা অসিনা নাগা অমসুং কুকি মরক্তা লৈরম্বা মরিফৎলক্তবা অমসুং নাগাশিংনা লৈঙাক অসিদা থাজরক্তবগী ৰাফম লৈরব্রা, লৈঙাক অসিনা কুকি ফুরুপ থেন্নবা হোৎনবদা নাগা ফুরুপপু মীরাইরব্রা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা নাগা ফুরুপকী মীহুৎ অমা ওইরিবা তমেংলোং এ সিগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাইগা পাউ চে অসিগা টেলিফোনগী খুথাংদা অখন্ননা ৱারি শান্নবদা মহাক্লা হায়, নাগা ফুরুপকী লৈরিবা মীহুৎশিংনা ৰাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা ৱারৌবা লৈতে। এসেম্ব্লিগী অরোইবা নুমিৎতা এম এল এশিং এসেম্ব্লি শরুক য়াখিদা অদুদি লৈলোন ভাইফৈদা ফারগা হাৎখিবা লিয়াংমাই নাগা মীচম ৬ য়াওনা অতৈ শাথিবা মীহাৎ কয়াদা চেন্নৈ হায়রিবা খুৎলায় পায়বা লুপ কে এন এফ-পি, লুপ অসিবু লুচিংলিবা থাংবাই কিপগেন অসি মণিপুরগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নেমচা কিপগেনগী নুপানি। অসিগুম্বা এক্সট্রিমিষ্ট অমগী নুপীনা মণিপুর লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর মক্তা মান্নবা রেঙ্ক অমা পায়দুনা লৈবা অসি লৈফম থোক্তে। মসিনা মণিপুর লৈঙাক অসিবু ইকায়বা নংহন্নবা মচাক ওই হায়রদুনা নেমচা কিপগেনবু দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌবনি। হায়রিবা ৰাফম অসিমক্কী য়েংলগা এক্সট্রিমিষ্টকী নুপী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন য়াওবা এসেম্ব্লিগী হাউসতা নাগা মীহুৎশিংনা ফম্মিনরোই হায়বা ৰাফমদা এসেম্ব্লি মীফম শরুক য়াখিদবনি হায়খি।

থা অসিগী ১২দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লুআংকাউ খুলদা হৌজিক শেমগৎলিবা রানি গাইদিনল্যিু ত্রাইবেল ফ্রিদম ফাইটর ম্যুজিয়ম য়েংশিন্নবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ চৎকনি হায়রিবা খোঙচৎ ৰাকিং কম্মিটি জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা বোইকোট তৌরক্লি।

কম্মিটি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, মে ১৩দা কুকিশিংনা লৈলোন ভাইফৈদা ফারগা হাৎখ্রবা লিংয়াংমাই নাগা মীচম ৬কী অশিবা হকচাং ঙসিসু জেনিমসকী মীরেলশঙদা লৈরি। মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা মীফা মীপুন নত্রগা থিজিনবগী থবক লোইবা লৈত্রি। অদুগা ফংফম থোকপা জষ্টিসু ফংদনা লৈরকপা নুমিৎ ১১৯শুরে। অসুন্না নাগা ফুরুপকী মীয়ান্না অৱাবা তারিঙৈ চৈরক্তা রানি গাইদিনল্যিুগী ইকায় খুন্নবা ওইরবসু নত্রগা অতোপ্পা চাউখৎ থৌরাংগী ওইরবসু ওফিসিয়েল প্রোগ্রাম অমত্তা নাগা তাবা মফমদা পাঙথোকপা য়ারোই। নাগা ৬কী ইমুং মনুংনা থেংনরিবা অৱাবগী জষ্টিস ফংদ্রিবা ফাওবদি অসিগুম্বা লৈঙাক্কী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা নাগা মীয়াম, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি কম্যুনিটি লিদরশিংনা শরুক য়াবিদনবা অমসুং নাগা তাবা লম ফাওরগা চৎহন্দনবা পুন্নমক্লা শৌগৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লৈলোন ভাইফৈদা নাগা ফাবদা চেন্নৈ হায়বা...

লমায় ১গী মখা...

রিজার্ব লাইননা ওইগনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী অয়াবা য়াওদনা মহাক মহাক্কী হেদক্বার্টর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই। সস্পেন্সন মতম অসিদা রুলসকী মখাদা মহাক্কী ফংফম থোকপা এল্লাৱেন্সশিং লৌবা য়াগনি হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।

পনবা য়াই, হৌজিক সস্পেন্দ তৌরক্লিবা থাঙ্গিনলিয়ান ভাইফৈগী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইঙ্কারি চথনবা এন আই এ ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী এস পিনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা বিষ্ণুপুর পুলিসতা চে থারকখিবা লৈখ্রবনি। মতম অদুদা এক্সন লৌখৎতনা লাক্লবা মতুং হন্দক পাঙথোকখিবা ৮শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মীফমদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রিবা থাঙ্গিনলিয়ান ভাইফৈ অসি মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকই হায়দুনা মে ১৩দা কুকিশিংনা ফাজিল্লুবদা ভিক্টিম ওইনা য়াওরুবী ৰিনিলিয়ু থ্যুমাইনা সোসিয়েল মেদিয়াদা পেন্দবা ৰাফম ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা ভি দি ও অদুদা কুকিশিংনা হাৎখ্রবা নাগা মীচম ৬কী মনুংদা অমা ওইরিবা দিলিপ থ্যুমাইগী লোয়নবী ৰিনিলিয়ু থ্যুমাইনা আই ৰিটনেস ওইরিবা মহাক লৈনা লৈনা থাঙ্গিনলিয়ান ভাইফৈ মরাল লৈতে হায়রকপা অসিনা এন আই এগী ইনভেষ্টিগেসনদা থাজবা লৈত্রে হায়বা ৰাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবনি। মসিদা এন আই এগী লেটরনা ওগষ্ট ২৮দা লাক্লগা সেপ্টেম্বরদা পাঙথোকপা এসেম্ব্লিদা মরাল লৈতে হায়রকপা অদুগা ঙসিনা অমুক সস্পেন্দ তৌদুনা দিপার্টমেন্টেল ইঙ্কারি চথরগনি হায়রিবা অসি এন আই এগী ইনভেষ্টিগেসন অসি কদাই ফাওবা থাজনিংঙাই ওই। আই ৰিটনেস থোক্লক্ত্রবদি থাঙ্গিনলিয়ান ভাইফৈগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলোইদ্রা হায়বা ৰাফম কয়া মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

# করম্বা মখলগী চৈরাক পিফম ...

লমায় ১গী মখা... মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া অরাম্বম করমজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মীওই কয়াবু ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা দেল্লিদা মীহাৎ মীপুনগী থবক ইতৎ-তৎতনা থোক্লিবসি এম পি পিনা য়ানিংদে। মসিনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ান্না ইন্দিয়াদগী তোখায়নিংবগী ঈহৌ তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লবা লম্বী অমা ওইহল্লি। ম্যুজিকপুপামজবা গিটারিষ্ট চোংথাম বিক্রম (৫৪) না পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিং ঙসিগী মীরোলনা শিংথাবদা লোইবা নাইরোই।

গিটারিষ্ট চোংথাম বিক্রমগী মীহাৎকী মতাংদা দেল্লিগী বি জে পি, মণিপুরগী লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী কেপিটেলদা নুপী অঙাং কয়া রেপ তৌবা, মীহাৎ মীপুন অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মীয়ামদা মীওৎ মীনৈ কয়া চথরিবা অসি থিংননবা পোলিসি অমা থন্ননবা এম পি পিনা অকনবা ৰাফম কয়া থল্লি। লৈখিদ্রবা চোংথাম বিক্রমগী ইমুং মনুংদা মণিপুর লৈঙাক, দেল্লিগী বি জে পিগী লৈঙাক অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পিফম থোকপা মতেং পিনবা এম পি পিনা আপিল তৌরি। ইষ্টর্ন দার্ককী গিটারিষ্ট চোংথাম বিক্রমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ষ্টেট ৫গী ইলেক্সনদা বি জে পিনা ...

লমায় ১গী মখা... ৭৬.৭৩গী শেনফম্না পার্টি অসিগী প্রোপেগন্দা অমসুং লুপা ক্রোর ১৯.৫৪না মীহুৎশিংগী ওইনা শীজিন্নখি। এদভরটাইজিং অমদি ষ্টার কেম্পেইনরগী মথৌ তাবা টার্বেল এক্সপেন্দিচরগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩৭ অমদি ২৭.৩গী শেনফম মথং শীৎনা এক্সপেন্দিচর তৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা তোঙান- তোঙানবা ষ্টেট ৫দা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি ইলেক্সন অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী পার্টি অসিগী প্রোপেগন্দা ওইনা লুপা ক্রোর ১৪৩ অমদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৫দা পার্টি অসিগী লেপ্লিবা মীহুৎশিংগী লুপা ক্রোর ১০৫.৫৫কী চার্দিং তৌদুনা হায়রিবা ষ্টেট ৫গী মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা পুন্না লুপা ক্রোর ২৪৮.৫৫গী শেনফম চাদিং তৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুগা বি জে পিনা থা খরগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৫গী ইলেক্সন অদুদা মীয়ামদগী ফংখিবা দোনেসনগী শেনফম অদু কোংগ্রেস পার্টিনা ফংখিবা দোনেসনগী শেনফমদগী চাদা ৭ হেল্লি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থোকপা দেটাদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবা রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# বিক্রমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ...

লমায় ১গী মখা...মশক নাইরবা গীতরিষ্ট চোংথাম বিক্রমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলবদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা লমদম অসিগী মশক নাইরবা ম্যুজিক্সিয়ানশিং অমদি ঈশৈ শকপা মীওই কয়ানা ওকখি।

ন্যু দিল্লিদা থোকখিবা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ম্যুজিক্সিয়ান বিক্রমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু এয়রপোর্টতা লৈরম্বা মীয়াম অদুগা লোয়নননা লৈখিদ্রবগী শঙ্গাই তন্না পুরকখি। মসিগী মতুং মথৌ তাবা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি।

ম্যুজিক্সিয়ান অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং এয়রপোর্টতা ওকপা অদুদা শরুক য়ারদুনা লমদম অসিগী মশক নাইরবা শৈশকপা হামোম সদানন্দনা পাউমীশিংদা হায়, ম্যুজিক্সিয়ান চোংথাম বিক্রমগী থৌদোক অসিনা ইন্দিয়া পূম্বদা পারা অমা ওইদুনা তুংদা অমুক হন্না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মীয়ামদা মান্নবা মীৎয়েং য়েংদনবা থবক পায়খৎহৌবা চঙই। লাইবক থিবা থৌদোক অসিমক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা পোকই। লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা দিল্লিগুম্বা মফম অমদা কনাসু লৈত্রবা মী অমগুন্না থৱায় মাঙবমখৈ ফুবগী থৌওং অসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে হায়না লৌই। থৌদোক অসিদা চেন্নবা খূদিংমক মরী লৈনবশিংনা লেন্না থারোইদবনি। চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীগদবনি। লৈবাক অসিগীদমক নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংনা মীংচৎ পুরকপা মতমদনা থাগৎপা ফোঙদোক্লগা অতৈ মতমদনা করিসু লৈতনা খনবগী থৌওং অসি মখা তানা তৌদনব চপ চানা খঙহনবা চঙই। বিক্রমগী থৌদোক অসিনা পারা অমা ওইদুনা তুংদা অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই হায়খি।

এয়রপোর্টতা ঙসি চোংথাম বিক্রমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওকপা অদু শরুক য়ারদুনা লৈখিদ্রবা বিক্রমগী মনাওনুপা চোংথাম ভিবেকনা হায়, মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীগবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা থবক পায়খৎকদবনি হায়খি।

# এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম, সু-৫৭ ফাইটর জেট অমদি ব্রহ্মোস মিসাইল অপগ্রেট তৌবা য়াওনা দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎনবা ইন্দিয়া অমদি রসিয়া ৱারী শান্নগদৌরি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন ন্যু দিল্লিদা লাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা দিফেন্স কোওপরেসনগী মরী অসি হেন্না চেৎশিনহন্নবদা মপুং ওইনা য়ূমফম ওইদুনা ৱারী শান্নগদৌরি।

থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট পুটিনগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না রসিয়া অমদি ইন্দিয়াগী লুচিংবা অনিগী মরক্তা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদবনি হায়রি। ৱারী শান্নবা অদুদা এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম, রসিয়াগী ৫শুবা জেনরেসন সু-৫৭ ফাইটর জেট লৈবা-য়োনবা য়াওনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ব্রহ্মোস মিসাইল অসি মতমগা চন্ননা অপগ্রেট তৌনবগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শান্নদুনা ইন্দিয়া-রসিয়া ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অসি মপাঙ্গল কনখৎননবা হোৎনগদৌরি।

রসিয়াগী স্পোক্সপার্সন দিমিত্রি পেসকোপনা ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী মরক্তা মতম কয়াদগী লৈনরক্লবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অসি অনৌবা মায়োনদা পুদুনা মিলিটরি টেক্নোলোজি মতমগা চুনবা মওংদা অপগ্রেট তৌদুনা লৈবাক অনিগী লৈরিবা দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অসি মোদি অমদি পুটিননা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা এজেন্দা ওইরবা য়াই। হৌখিবা চহী ২০১৮দা রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা দোল্লর ৪.৫৩ বিল্লিয়ন পীদুনা এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম ৫ লৈবগী খূৎয়েক পীনখিবসু লৈখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম রসিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা ৩ মায় পাক্লা দিলিভর তৌরকখ্রে। লেমহৌরিবা এস-৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অনি চৎলিবা চহী অসিদা ইন্দিয়াদা দিলিভর তৌরক্লবা য়ানা লৈ।

রসিয়াগী দিপ্লোমেট ক্রেমলিন পেসকোপনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ইন্দিয়াদা রসিয়ানা পীখিবা থাজবা অদু শুংশোয় শোয়দনা ঙাক্লা চৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি, থা অসিগী ১১দা পুটিন অমদি মোদি উন্নগদৌরিবা অসিদা অমুক্কা হেন্না লৈবাক অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হিরমদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা খূৎকন পাঙ্গনবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টকী মতুং ইন্না পুটিন অমদি নরেন্দ্র মোদিনা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিদা রসিয়াগী ফাইটর জেট সু-৫৭ অসি ইন্দিয়ানা নৌনা এক্কিয়ার তৌনবগী মতাংদা য়াওগনি। অসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ব্রহ্মোস মিসাইল প্রোগ্রাম অসি রসিয়া অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা পার্টনরসিপ ওইনা থবক তৌদুনা অপগ্রেট তৌনবগী খোঙথাংসু লৌখৎলক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

# লৈবাকসিগী নহারোলশিং নরেন্দ্র মোদিগা পূন্না চৎমিন্নরি, থবক থিরম্বা নহারোলশিং ঙসিদি থবক পীবা ঙম্বা অমা ওইবা ঙম্লে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা অমত্তা ওইনা পূন্না চৎমিন্নরি। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা থবক তৌদুনা লৈবাক অসিবু ৱাৎত পাদবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মতম অমদা থবক থিরম্বা মশিং য়াম্লবা নহারোল কয়া ঙসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টার্টঅপ স্কিম কয়াগী খুদোঙচবা লৌদুনা মীওই কয়া থবক পীবা ঙম্বা অমা ওইবা ঙম্লে হায়না বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবীননা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পিগী সেন্ট্রেল ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা পার্টি প্রসিদেন্ট নিতিন নবীননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নিতিন নবীননা পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা হায়, মতম অমদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খূঙ্গংশিং অসি খ্বাইদগী অরোইবা ইকোন কোনবা খূঙ্গংশিংনি হায়না লৌনরম্মি।

অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈবাক অসিদা লাকখিবদগী মমাঙগী লৈঙাক্লা ইকোন কোনবা খূঙ্গংশিংনি হায়না লৌনরম্বা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা খূঙ্গংশিং অসি লৈবাক অসিগী অহানবা খূঙ্গংশিংনি হায়না লৌদুনা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংলিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা খূঙ্গংগী খূঞ্জাশিংগী পুন্সি মহিং নৌনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিল্লকপা ঙম্বতা নৎতনা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা খূঞ্জংশিংসু চাওখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিল্লক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা ওপোজিসনবু মরাল শীরদুনা নিতিন নবীননা মখা তানা ফোঙদোকখি, ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহারোলশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা নহারোলশিংদা অচৌবা অশা কয়া পীরি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈঙাক্কী মথক্তা খূৎলাই পায়দুনা লাল হৌরিবা নক্সালিজমবু মরুফংনা মুত্থৎননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা ঙসিদি লৈবাক অসিদগী নেক্সলাইট টেররগী অকিবা মীয়ামদগী কোকপা ঙম্লক্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লৈবাক অসিবু দিভলপ নেসন অমা ওইনবা মায় পাক্লা চংশিল্লি।

লৈবাক অসিগী লৈরিবা আইদেন্টিটি অমদি পুৱারিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমগী মনুং চন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাম টেম্পলদগী হৌরগা কাসি বিশ্বনাৎ টেম্পল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পুৱারিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা হেরিটেজ কয়া নৌনা শেমগৎ শাগৎতুনা কলচরেল আইদেন্টিটি ঙাক শেন্দুনা থন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

ইকোনোমিগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা নতিন নবীননা হায়, মতম অমদা অৱাৎপদনা থন্দুনা লাক্লবা লৈবাক অসি ঙসিদি মালেমগী ওইনা ইকোনোমিগী লমদা খ্বাইদগী খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিনবা ঙম্বা মকোকথোংবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা থবক তৌবা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মাঙদা চাওথোক্লা লেপ্পা ঙম্বা লৈবাক অমা হায়বা অদু ওইবা ঙম্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শিজিন্নরিবা 'সবকা সাত, সবকা বিকাশ' হায়বা দিভলপমেন্টেল পোলিটিক্স অসিনা ঙসিদি ইন্দিয়া চাওখৎপগী মাইওনদা চংশিনবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লে। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং অমদি নুপী ওইবীশিংদা মপুং ওইনা পান্দম থমদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়হকদগী তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়নসু বি জে পিগী প্রসিদেন্ট নিটিন নবিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কাষ্টকী খেন্নবা খায়দোক্ত্রবদি রিজার্ভেসনগী কান্নবা লৌবা তোক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈ: রামদাস অথৱালে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংদা পীরিবা কোটা সিষ্টেমগী মায়োক্তা লৈবা হায়বা অসি কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লেপ্পনি করিগুম্বা কাষ্টকী খেন্নবা খায়দোক্ত্রবদি রিজার্ভেসনগী কান্নবা লৌবা তোক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথাৱালেনা ফোঙদোকখ্রে।

ছতিসগড়দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ানবগীদমক স্বামি বিবেকানন্দ এয়ারপোর্টতা থুংবগা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ এম্পাৱারমেন্ট রামদাস অথাৱালেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।


লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রিজার্ভেসন লৌথোক্লবগী মতাংদা কন্না ঙাংন শক্লরক্লিবা অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অথাৱালেনা হায়, রিজার্ভেসন হায়বা অসি কাষ্টতা য়ূমফম ওইরগা লেপ্পি।

আর্টিকল ১৭গী মখাদা কনষ্টিট্যুসননা অনটাওচেবিলিটি এবোলিস তৌখ্রবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা দলিত অমদি ট্রাইবেল মীয়ামগী মথক্তা ঙসিসু হন্থনা য়েংবীবা লেপ্পা লৈত্রি। মরম অদুনা কাষ্টকী খেন্নবা অসি লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মায়নোরিটি কম্যুনিটিশিংদা রিজার্ভেসনগী কান্নবা ফংহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা কাষ্টকী খেন্নবা অসি লৌথোকখিবা তারবদি রিজার্ভেসনগী কান্নবা লৌবা তোক্লনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। অদুবু রিজার্ভেসনগী মায়োক্তা লেপ্পা হায়বা অসি অচুম্বা খোঙথাং অমা নৎতে। কনষ্টিট্যুসন মায়নোরিটি কম্যুনিটিশিংদা পীবা রাইট অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা ১৯৫০দগী হৌদুনা সেদুল কাষ্ট অমদি সেদুল ট্রাইবতা রিজার্ভেসন চৎনবা হৌখি। অদুগা ১৯৯০-৯১দা ভিপি সিংহগী লৈঙাক্কী মতমদা অদর বেকৱার্দ ক্লাসশিংদা রিজার্ভেসন পীবা হৌখিবনি হায়নসু রামদাস অথাৱালেনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা পনবা য়াবদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথাৱালে দলিতকী মকোকথোংবা লুচিংবা অমসু ওইরিবনি।



## Crossword # 1140

| Across | Down |
|---|---|
| 1. Fancy fabric | 1. Not sober |
| 5. "___ for Life" | 2. Hustle-bustle |
| 9. Many truckers | 3. Like some interest |
| 14. Matinee follower? | 4. Renowned isle of exile |
| 15. ___-Tass | 5. Chinese fruit tree |
| 16. Nostalgic song | 6. Marie Osmond, e.g. |
| 17. "Lara Croft: ___ Raider" | 7. Pakistani wrapper |
| 18. Pacific islands plant | 8. 1982 Disney film starring Jeff Bridges |
| 19. Oscar winner Rainer | 9. Irish lass |
| 20. What the thrifty plumber was doing in the produce aisle? | 10. Most sad |
| 23. HBO competitor | 11. Ms. Brickell |
| 25. Solving cry | 12. Danger |
| 26. Legal thing | 13. Gets the picture |
| 27. What the angry policeman was doing in the produce aisle? | 21. Accompaniment to a drum roll |
| 32. Breathing problem | 22. Say "hi" to |
| 33. Gregory Peck horror flick (with "The") | 23. Where the stars are |
| 34. C'___ la vie | 24. Wishes |
| 37. Give up | 28. Maiden name preceder |
| 38. Word before point or larceny | 29. "Teflon Don" |
| 40. Director Preminger | 30. ASCAP alternative |
| 41. Language suffix | 31. Goes into business |
| 42. It's sought after in Washington | 35. Pore on a leaf |
| 43. Computer bulletin board mgr. | 36. ___-turvy |
| 44. What the clumsy mason was doing in the produce aisle? | 38. Popular pop |
| 48. UFO crew | 39. "The Raven" monogram |
| 49. ___ de Triomphe | 40. Olive ___ |
| 50. Remuneration | 42. Ann of "Private Secretary" |
| 51. What the efficient laundress was doing in the produce aisle? | 43. Pooch savers (Abbr.) |
| 57. Lessen | 45. Religious leader |
| 58. Widemouthed jug | 46. City in Italy |
| 59. "Excuse me" | 47. Travolta musical |
| 62. It may be spread | 51. Ares to the Romans |
| 63. Some deer | 52. Border on |
| 64. Corrida participant | 53. Docile |
| 65. Not lax | 54. Screenwriter Ephron |
| 66. Church recess | 55. Gooey stuff |
| 67. In-box clutter, perhaps | 56. "Darn it!" |
| | 60. Big block of time |
| | 61. Apple pie's partner? |

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# 'ব্রিক্স সম্মিটতা বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রহমন শরুক য়াগদৌরিব্রা হায়বগী পাউখুম পীয়ু য়াখিদ্রে'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিটতা বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রেহমন শরুক য়াগদৌরিব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম বঙ্গলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর খলিলুর রহমননা পীখিদ্রে।

বঙ্গলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর ওইবতা নৎতনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্টগী ফম নৌনা পায়খ্রবা খলিলুর রহমননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি, মহাক্লা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নরিবা অসি বঙ্গলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা উন্নবা নৎতে, য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট ওইনা উন্নবনি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগা মরী লৈননা হংবা ৱাহং খুদিংমক প্রসিদেন্ট অমা ওইবগী পাউখুম চপ চানা পীগনি। ইন্দিয়া অমদি বঙ্গলাদেশকী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল ইসুগী মতাংদদি অতোপ্পা থৌরম অমদা বঙ্গলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা নৎতনা অতোপ্পা অহেনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

পনবা য়াবদি বঙ্গলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর খালিলুর রেহমন হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী ৮১শুবা সেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখ্রে।

থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা ন্যু দিল্লিদা চত্থগদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগদৌরি। সম্মিট অসিদা বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রহমনসু শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইনভাইটেসন পীখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা বঙ্গলাদেশকী মায়কৈদগী সম্মিট অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রহমন ঙসি ফাওবা শরুক য়াগদৌরিব্র নৎত্রগা য়ারোইদৌরিবা হায়বা ৱাফম অমত্তা কাঙথোকপা লৈত্রি।

# বিহার: দিষ্ট্রিক্ট ১৪ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
হৌখিবা নুমিৎ ৫নিরোম লেপ্তুনা নোং চুবদগী বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪দা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই লাক্ষ ৪০ হেনবদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লখ্রে হায়না বিহার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট (দি এম দি)গী মায়কৈদগী থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ঈশিং ঈচাও অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ১৪গী ব্লোক ৮৪না কোনবা গ্রাম পঞ্চয়ট ৫১৪দা লৈবা মীওই লাক্ষ ৪০.২১ রোম অৱাবা মায়োক্লরি।

ঈশিং ঈচাও নংলবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি পতনা, ভোসপুর, সরন, বায়সালি, ভগলপুর, বেগুসরাই, বুক্সর, সমষ্টিপুর, মঙ্গর, কতিহার, লখিসরাই, খগারিয়া, পুর্নিয়া অমদি অৱালনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদনি হায়রি।

মেটিওরোলোজিকেল সর্ভিস সেন্টরগী মতুং ইন্না চৎলিবা থা অসিদা বিহারদা নোং ৭৯.৬ এম এম য়ৌনা চুখি। বিহারগী লৈরিবা নোং তাবগী চাং অদুদগী চাদা ৩১ হেন্না থা অসিদা নোং চুখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ওক্সিজেন সিলিন্দর পোকখায়বদা মীওই ১ লৈখিদ্রে, ৪না শোকপদগী লায়কন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি): ন্যু দিল্লিগী ওকলা ফেজ ১ এরিয়াদা লৈবা কম্মর্সিয়েল গোদাউন অমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর অমা খঙহৌদনা পোকখায়রকপদগী মীওই ১ লৈখিদ্রে, ৪না শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

দেল্লি পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০:৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক থোক্লে হায়বা পাউ ফংবগা ফয়ার ট্রক ৩ অমদি মল্টি-কেজুএলটি রেস্পোন্স টিম খুদক্তা থৌদোক থোকফমদা চংশিন্দুনা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক চত্থখি।

রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থবদা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা ওকলা ফেজ ১দা লৈবা কম্পেনি অমদা হেল্পর ওইনা থবক তৌবা মোহিদ সিংহ কৌবা মীওই অমা থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা মীওই ৪না অশোক অপন নংদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী শোক্লবা মীওই ৪ অদুবু এইমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা হৌজিক হৌজিক হোস্পিটাল অসিগী ট্রোমা সেন্টরদা অনা লায়েংগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি। শোক্লবা মীওই ৪ অদুদি উমেশ, অর্বিন্দ, মনোজ অমদি পঙ্কজ কৌই। অহানবগী ওইনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মেদিকেল অমদি গ্যাস কটিংগী থবক্তা শিজিন্ননবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ওক্সিজেন সিলিন্দর দিষ্ট্রিব্যুট তৌবা কম্পেনি অমদা ওক্সজেন সিলিন্দর পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

GOVERNMENT OF INDIA
MINISTRY OF MICRO, SMALL & MEDIUM ENTERPRISES
OFFICE OF THE DEVELOPMENT COMMISSIONER

INDIA INTERNATIONAL TRADE FAIR (IITF) 2026

APPLICATION PORTAL OPEN FOR MSEs

01st September 2026 – 20th September 2026

ELIGIBILITY

Only Micro & Small Enterprises (MSEs) having a valid Udyam Registration or Informal Micro Enterprises (IME) in manufacturing and service sectors having valid Udyam Assist Certificate (UAC) as on **31st August 2026** will be eligible to apply for participation in India International Trade Fair (IITF) 2026, Under PMS Scheme.

Key Dates
Last date for Udyam Update: 31st Aug, 2026
Application Portal Opens: 01st Sep, 2026
Application Portal Closes: 20th Sep, 2026

Don't miss the opportunity to participate in
**INDIA INTERNATIONAL TRADE FAIR (IITF) 2026**
Apply between **01st September 2026** and **20th September 2026**.
For more information check the official website
**https://pms.dcmsme.gov.in/view-all-event**

Scan **QR Code** to Apply

**OFFICE OF THE DEVELOPMENT COMMISSIONER (MSME)**
MINISTRY OF MICRO, SMALL & MEDIUM ENTERPRISES, GOVT. OF INDIA
2nd Floor, Kartavya Bhawan-3, New Delhi-110001
CBC 25113/11/0045/2627

# জষ্টিস রবিন্দ্র কলকটা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
জষ্টিস রবিন্দ্র বিথালরাও গুগেবু কলকটা হায় কোর্টকী ৪৫শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

কলকটা হায় কোর্টতা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর আর এন রবি, চীফ মিনিষ্টর সুবেন্দু অধিকারি, এসেমব্লি স্পিকর রথিন্দ্র বোস, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং কলকটা হায় কোর্টকী হান্নগী জজ অমদি হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবা জজ কয়াসু শরুক য়াখি।

চীফ জষ্টিস টি এস সিবাক্নানমনা রিটয়ারমেন লৌখ্রবা মতুং জষ্টিস তপাব্রতা চক্রবোর্তিনা কলকটা হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুদুনা লাকখিবা অদু জষ্টিস রবিন্দ্রবু চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা কলকটা হায় কোর্টকী পার্মিনেন্ট ওইবা চীফ জষ্টিস ওইনা কোর্টকী মথৌতাবা প্রোসিদিংশিং চত্থরগনি।

নাকল অমরেমাদা জষ্টিস পুসপেন্দ্র সিংহবু জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মির এন্দ লদাখ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা জষ্টিস পুসপেন্দ্র সিংহ ভাতিবু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা লেফটনেন্ট গভর্ণর বিনয় কুমার শকসেনা, চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লাহ, নেসনেল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট ফরুক অবদুল্লাহ এসেমব্লি স্পিকর অবদুল রহিম অমদি হায় কোর্টকী তোঙান তোঙানবা সেনিয়ার জজ শিংসু শরুক য়াখি।

# হিমন্তা অমদি কোনরাদ সাংমানা সিতারমন উন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট য়াংশিন্নবা তকশিনখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্ম অমদি মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সাংমানা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমনগা উন্নদুনা অসাম অমদি মেঘলয়াদা পায়খৎলিবা এক্সটর্নেলি এদেট প্রোজেক্ট (ই এ পি) হেন্না থুনা য়াঙনা পায়খৎনবা তকশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বা শর্মনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা অসাম অমদি মেঘলয়াদা ফিজিকেল অমদি সোসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা অনৌবা ইনভেষ্টমেন্ট লাকপা য়াবগী খুদোঙচাবা কয়া পীগদবা এক্সটর্নেলি এদেট প্রোজেক্টশিং থুনা য়াঙনা পায়খৎতুনা লোইশিন্নবা মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সাংমাগা লোয়ননা ফাইনান্স মিনিষ্টরগা সিতারমনগা উন্নদুনা তকশিনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। মহাক্লা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা এক্সটনেলি এদেট প্রোজেক্টশিং থুনা য়াঙনা পায়খৎনবা তকশিনবা অদুদা ফাইনান্স মিনিষ্টর সিতারমনগী মায়কৈদগী পোজিটিব রেস্পোন্স পীরকখি হায়নসু মখা তারক্লি।

# অসাম: ব্রজ তাবদা লৌমী ২ লৈখিদ্রে

ধুব্রি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):
বঙ্গলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অসামগী ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী কেদর পার্ট ৩ খুন্দা খঙহৌদনা ব্রজ তারকপদগী লৌরাং শুদুনা লৈবা লৌমী ২ লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু দুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গোলাগন্স সেক্টরগী মনুং চনবা খূঙ্গং অমদা থোকখিবনি। লায়বক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লৌমী অনি অদু মোসলেন উদ্দিন অমদি অবদুল হুসেন কৌই। মখোয় অনিমক কেদর পার্ট ৩ গী খূঞ্জা ঙাক্তনি হায়রি।

খূঞ্জাশিংগী মতুং ইন্না মোসলেন্দ উদ্দিন অমদি অবদুল হুসেননা গেট নম্বর ৫১ লাম্থোক্তুনা নো মেন্স লেন্দ এরিয়াগী মনুং চনবদা লৈবা মখোয়গী লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈরিঙৈ খঙহৌদনা তারকখিবা ব্রজনা পান্দুনা মফম অদুদা খুদক্তা লৈখিদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী পাউ ফংবগা গোপালগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোন্নেলশিং অমসুং বি এস এফকী টিম অমগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা চংদুনা থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং অনি অদু রিকোভর তৌখি। পোষ্ট মোর্টেমগীদমক ধুব্রি মেদিকেল কোলেজ অমদি হোস্পিটালদা থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং ২ অদু থল্লি হায়নসু পাউ অসিনা হায়রি।

সনা-সুদোকু-১০৭৪গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 6 | 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 1 | 7 | 4 |
| 7 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 1 | 7 |
| 3 | 1 | 7 | 4 | 8 | 5 | 2 | 6 | 9 |
| 2 | 4 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 5 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 9 | 3 |
| 4 | 8 | 9 | 6 | 5 | 3 | 7 | 2 | 1 |
| 1 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 8 |

# বালোচিষ্টানদা টেরোরিষ্ট ১১ হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):

পাকিষ্টানগী ঈরাং লৈবা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনিদা টেরোরিষ্ট ১১ হাৎখ্রে হায়না আর্মিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান আর্মিগী মেদিয়া ৱিং ইন্টর–সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)গী মতুং ইন্না, প্রোভিন্স অদুগী খারন অমসুং ৱাসুক দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওপরেসনশিং অদু সেপ্টেম্বর ৬ অমসুং ৭তা চথখিবনি। সেপ্টেম্বর ৬তা খরন দিষ্ট্রিক্টতা রোদ ব্লোক অমনি। খন্নবা অমসুং ট্রাফিক থিংনবা হোৎনরম্বা টেরোরিষ্টশিং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থেংনদুনা নোংমৈ কাপ্পবদা মখোয় ৮ হাৎখি হায়না আই এস পি আরনা হায়খি।

মদুগী নোংঙানবা সেপ্টেম্বর ৭তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ৱাসুক দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট লৈ হায়বগী পাউ ফংখি অমসুং মখোয়গী লোৎফমদা টার্গেট তৌখি। মদুদা নোংমৈ কাপ্পবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখি অমসুং এক্সপ্লোসিব দিভাইসশিং শাবদা শিজিন্নবা মচাক টোন ২.৯ রিকোভর তৌখি।

# বঙ্গলাদেশতা লায়কুপ থোকপগী লাইচৎতা মীওই ১,০০০ রোম শিখ্রে

ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):

বঙ্গলাদেশতা মার্চথাদগী হৌনা শতে দারকখিবা লায়কুপ থোকপগী চাইচৎতা থা ১ ফাদ্রিঙৈগী মনুংদা অঙাং ১০০ হেন্না শিখ্রে। ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা লায়কুপনি থাজবা অনাবশিং অদু শিবগী অপূনবা মশিং চহী অসিগী হৌবদগী হৌজিক ফাওবদা ৯৯৯ শুরে হায়না গভর্ণমেন্টকী দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, মার্চতগী হৌনা লৈবাক অসিদা লেবোরেটরি কনফার্ম ইনফেক্সন ১৯৮৩৫ য়াওনা কেস ১,৬৬,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌখি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন, য়ু এন চিল্ড্রেন্স এজেন্সি অমসুং গাবি ভেক্সিন এলায়েন্সকা পূন্না গভর্ণমেন্টনা মার্চতা ইমর্জেন্সি ভেক্সিনেসন দ্রাইব অমা পায়খৎখি। মদুনা থা ৬তগী চহী ৫ ফাওবা শুবা অঙাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি অমসুং কোন্না তাঙ্কক নাইনা লৈবাক শিনথুংনা চত্থখি।

# ইরাননা হোর্মুজদা য়ু এস সবমেরিন ফাখ্রে



টেহরান, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী চং ফমদা য়ু এস মিলিটরিগী খ্বাইদগী মোদর্ন ওইবা খ্বাইদগী স্মার্ট ওইবা অনমেন সবমেরিনশিংগী মনুংদগী অমা ফারে হায়না ইরানগী নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।

কমপ্লেক্স ইন্টিলিজেন্স ওপরেসন অমদা দাইব–এল দি হায়না শকতাকপা অনমেন অন্দরৱাটর ভেহিকল অদু মখোয়না ফারে হায়না ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সি)গী ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি সেপাহ ন্যুজনা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা নেভিনা হায়খি।

সবমরসিবল ভেহিকল অদু মালেমগী খ্বাইদগী মোদর্ন ওইবা সবসর্ফেস ভেহিকল টেক্নোলোজি পাল্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি অমসুং ফারবা ভেহিকল অদুগী ভিদিও অমা থাদোক্লকখি।

তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা আই আর জি সিনা মখোয়গী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমসনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী মথক্তা এম কিয়ু –৯ রিপর দ্রোন অমসু কাপথখ্রে হায়খি।

আই আর জি সিগী ৱারোলশিং লাউথোক্লকখিবা অদুগী মতুং য়ু এস মিলিটরিনা নোংমগী মমাঙদা লমদমদুগী ঈশিংশিং সর্ভে তৌবদা মখোয়গী অন্দরৱাটর দ্রোনশিংগী মনুংদগী অমা য়াখিদ্রে হায়বা ৱারোল অমা ফোংখি। অদুবু হায়রিবা দিভাইস অদু ইরাননা ফারে হায়বা অদুরা হায়বদি পনখিদে।

অমরোমদা য়ু এস ট্রিজরি দিপার্টমেন্টনা ইরানগী এয়ারলাইন্স ২৭পু স্পিসিয়েলি দেজিগনেটেদ নেসনেলস লিষ্টতা থমদুনা ইরানগী মথক্তা শাফু পীবা হেনগৎনবা লেমহৌরিবা ইরানগী এয়ারলাইন পুন্নমক্তা টার্গেট তৌখ্রে।

য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট অদুনা হায়খি, ইরানগী কমর্সিয়েল এয়ারলাইনশিংনা মতম শাংনদগী ইরানগী গভর্ণমেন্টকী দিষ্টেবিলাইজিং এক্টিভিটিশিংদা শৌগৎখি।

ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোরনা খূৎলাইশিং ট্রান্সপোর্ট তৌবা অমসুং পার্সোন্নেল পুবদা প্রাইভেট এয়ারলাইনশিং শিজিন্নখি।

# অৱাং থংবা গল্ফ অমসুং গল্ফ ওফ ওমনদা লল্লোন ইতিক্কী জহাজ কয়ামরুমদা এটেক তৌখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):

অৱাং থংবা গল্ফ অমসুং গল্ফ ওফ ওমনদা লল্লোন ইতিক্কী জহাজ কয়ামরুমদা ঙরাং নুমিদাং লমদম অদুদা মলিটরি এক্টিভিটি মরক্তা এটেক তৌদুনা জহাজশিং অদু অপনবা থোকহনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ কিংদম মেরিটাইম ট্রেদ ওপরেসন্স (য়ু কে এম টি ও) এজেন্সিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পোঙদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অদুদা থোক্লম্বা য়াবা অশোক অপন নৎত্রগা ইনভাইরোমেন্টতা শোকপশিং মখোয়না খঙবা ঙমদ্রি হায়না য়ু কে এম টি ওনা হায়খি।

তোঙান্না, য়ু কে এম টি ওনা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী পোর্ট রসিদতগী নোটিকেল মাইল ২৪ লাপ্পদা অতোপ্পা থৌদোক অমগী মতাংদসু ফোঙদোকখি। মদুদা মশক খঙদবা প্রোজেক্টাইল অমনা এটেক তৌখিবগী মতুং জহাজ অমা ঈশিংদা তাওদুনা লৈবা উখি নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা য়ু এস নেভিগী লানগী জহাজ অমদা মিসাইল এটেক তৌনবা হোৎনরকখিবা মতুং য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দ ফোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইরানগী ক্রুদ ওইল টেঙ্কর ৫ থুগাইখি।

ইরানগী গার্দশিং অদুনা য়ু এসকী এটেক অদুগী পাউখুমদা গল্ফতা য়ু এস জহাজ ২ অমসুং ওইল টেঙ্কর ৮ মখোয়না এটেক তৌখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জহাজ ১০ অদুনা প্রোহিবিটেদ অমসুং অনসেফনি হায়না মখোয়না হায়রিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী এরিয়া অমা ফাওদুনা চৎনবা হোৎনরম্বনি হায়না ইরানগী রিভোলুসনরি গাদর্সনা হায়খি।

# খূৎলাই থস্ফমদা পোকখায়বদা ১৪ শিখ্রে

সরমদা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সি):

অৱাংনোংচুপ থংবা সিরিয়াদা খূৎলাই থস্ফম অমদা ঙসি পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ১১ শোকখ্রে।

ইদলিব প্রোভিন্সকী সরমদা টাউন মনাক্তা পোকখায়খিবা অদুগী মরম খুদক্তা শেংনা খঙদ্রি। চহী ১০গী লান অমা নংখ্রবা লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি তোয়না থোকই। মফম অদুদা লৈবাক অসিদা ২০১১দগী ২০২৪ ফাওবা থোকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমসুং সিভিল ৱারদগী লেমহৌবা খূৎলাইশিং থস্বদা শিজিন্নে।

## /PASSPORT LOST

I have lost my Indian Passport number: V7927250 on the way from airport to Langol on 3rd September 2026. Therefore, finder are requested to kindly hand over the same to the undersigned.

Sd/- Lanngamba Salam
7005244706
Thanga Salam Leikai
Bishnupur District, Manipur

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 336 of SDC/Heing(IE) of 2026*

1. Talem Rishikanta Singh S/o (Late) Talem Rupachandra Singh of Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak (.049 acre on the east)
2. Talem Herojit Singh S/o -do- of -do- (.031 acre on the west)

***- Petitioners***

***-Verses-***

(Late) Talem Memcha w/o (Late) Talem Rupachandra Singh of Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak. ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 12-Lairikyengbam Leikai দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 80 অনৌবা পাট্টা নং 281/427 দাগ নং 297/401, এরিয়া 0.04 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 340 of SDC/Heing(IE) of 2026*

Khomdram Sonamani Singh S/O (L) Khomdram Kalenjao Singh of Heingang Makha Leikai. ***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Khomdram Kalenjao Singh S/O (L) Tompok Singh of Heingang . ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 16-Heingang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 136, 194 অনৌবা পাট্টা নং 106/902 দাগ নং 1365/1419, এরিয়া 0.0675 একর চাওবা Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 338 of SDC/Heing(IE) of 2026*

Khomdram Ibomcha Singh S/O (L) Khomdram Kalenjao Singh of Heingang Makha Leikai. ***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Sorokhaibam Munal Singh S/O (L) S. Chaoba Singh of Heingang . ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 16-Hengang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 963 অনৌবা পাট্টা নং 673 দাগ নং 3409 & 3411, এরিয়া 0.23 & 0.60 একর চাওবা Phourel Class অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 339 of SDC/Heing(IE) of 2026*

Khomdram Ibomcha Singh S/O (L) Kalenjao Singh of Heingang Makha Leikai. ***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Sorokhaibam Munal Singh of (L) Liklaipoka Singh of Heingang Makha Leiaki. ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 16-Heingang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 1286 অনৌবা পাট্টা নং 105 দাগ নং 2457, এরিয়া 0.71 একর চাওবা Phourel Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 335 of SDC/Heing(IE) of 2025*

Yungkham Thambalmacha Devi W/O (L) Y. Somorendro Roy of Lairikyengbam Makha Leikai. ***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Yungkham Somorendro Roy S/O (L) Kalachan Roy of Lairikyengbam Makha Leikai. ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : ১২ লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 97 অনৌবা পাট্টা নং 433-565 দাগ নং 607-725, এরিয়া 0.05 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 337 of SDC/Heing(IE) of 2026*

Khomdram Ibomcha Singh S/O (L) Khomdram Kalenjao Singh of Heingang Makha Leikai. ***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Sorokhaibam Munal Singh S/O (L) S. Liklai Singh of Heingang . ***-O. P.***

**/NOTICE**

*Heingang, Dated 09/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 16-Hengang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 632 অনৌবা পাট্টা নং 672 দাগ নং 1399, এরিয়া 0.44 একর চাওবা Ingkhol Class অসিগী কো পট্টাদার নং:১ অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা পল্লগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/10

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 629/SDC/IW(C)-I of 2026 dt, 09/09/2026

Chirom Ratana Devi, W/O N. Lokeswor Singh of Naoremthong Khumanthem Leikai. -Petitioner

-Vs-

Nongthombam Lokeswor Singh S/O Babu Singh of Naoremthong Khumanthem Leikai. -O.P. (s)

**/NOTICE**

Lamphel, the 09/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Nongthombam Lokeswor Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 93-Takyel Khongbam অরিবা পাট্টা নম্বর 135 (Old) অনৌবা পট্টা নং 615 (New) দাগ নং 462/915 অমসুং এরিয়া 0.019 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/10

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KEIRAO BITRA, IMPHAL EAST : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 200/SDC/KBT, *Dated the 09/09/2026*

1) Nongmaithem Sumita Devi D/O Late N. Imo Singh of Mangjil Mamang Kongba Road.

2) Nongmaithem Joymati Devi D/O Late N. Imo Singh of Laipham Khunou Mayai Leikai. *.....Petitioners*

**-Versus-**

Late Nongmaithem Ibeyaima Devi D/O Ibechobi Devi of Kongba Khunou . *...Opposite Party/Parties*

**/NOTICE**

Keirao Bitra, the *09/09/2026*

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 35 (অরিবা) 54 (অনৌবা) গী Village No. 35-Uchekon Khunou, C.S. Dag No. 13 an area of 0.1315 acres of ingkhol Class লম অসিগী Pattadar N. Ibeyaima Devi অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচেশিংগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা application থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C Keirao Bitra Court অসিনা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Keirao Bitra,
Imphal East, Manipur

SL/Jeena/10

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 627/SDC/IW(C)-I of 2026 dt, 08/09/2026

Khoisnam Epi Devi W/O Khoisnam Lukhoi Singh of Nagamapal Phougeishangbam Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Khoisnam Lukhoi Singh S/O (L) Khoisnam Brajabidhu Singh of Nagamapal Phougeishangbam Leikai . -O.P. (s)

**/NOTICE**

Lamphel, the 09/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Khoisnam Lukhoi Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর 439 (Old) অনৌবা পট্টা নং 814/2202(New) দাগ নং 10176/10287 অমসুং এরিয়া 0.00420 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/10

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 628/SDC/IW(C)-I of 2026 dt, 08/09/2026

Salam Usha Sinha W/O Ngangbam Teban Singh, resident of Wangkhei Angom Leikai, Imphal East Manipur. -Petitioner

-Vs-

Salam Kamalkishore Singh, S/O Late S. Ibomcha Singh, resident of Keishampat Thokchom Leikai, Imphal West, Manipur. -O.P. (s)

**/NOTICE**

Lamphel, the 09/09/2026


Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Salam Kamalkishore Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 87(A) Khwai Bazar, অরিবা পাট্টা নম্বর 55/A (Old) অনৌবা পট্টা নং 637 (New) দাগ নং XVI/138 অমসুং এরিয়া 0.0047 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/10




SL/Mocha/20-5




SL/Mocha/9/013

## ক্রোসৱার্দ ১১৪০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | C | E | | L | U | S | T | | C | B | E | R | S |
| I | D | O | L | | I | T | A | R | | O | L | D | I | E |
| T | O | M | B | | T | A | R | O | | L | U | I | S | E |
| | | P | A | T | C | H | I | N | G | L | E | E | K | S |
| S | H | O | | A | H | A | | | R | E | S | | | |
| P | O | U | N | D | I | N | G | B | E | E | T | S | | |
| A | P | N | E | A | | | O | M | E | N | | E | S | T |
| C | E | D | E | | P | E | T | I | T | | O | T | T | O |
| E | S | E | | S | E | A | T | | | S | Y | S | O | P |
| | | D | R | O | P | P | I | N | G | P | L | U | M | S |
| | | | E | T | S | | | A | R | C | | P | A | Y |
| M | A | T | C | H | I | N | G | P | E | A | R | S | | |
| A | B | A | T | E | | O | L | L | A | | A | H | E | M |
| R | U | M | O | R | | R | O | E | S | | T | O | R | O |
| S | T | E | R | N | | A | P | S | E | | S | P | A | M |

SL/KK/10




SL/Jotin/10



*ডা. বি সি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭ (টয়র-১):*

## মণিপুর জুনিয়র বোইজ টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা বিসি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭ টয়র-১ গ্রুপ ষ্টেজ)কী ঙসি কর্ণতকাগী বেঙ্গলুরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু গোল ৩-১দা মায়থিবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি মণিপুরনা হেন্না বোল পায়দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু লাকশিন্দুনা মখোয়গী মথক্তা প্রেসর পীশিনখি। মসিগী মহয় ওইনা মণিপুরনা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৭ হৈক্রুজম জোগেসনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদগী গোল একাউন্ট হাংদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৭ থিয়াম জেন্সন মৈতৈনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংবু তুংওইনরল্লগা পুশিল্লকপা বোল অমা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা কাওশিনখিবা বোলনা অহেনবা গোল অমা হাপচিন্দুনা বেঙ্গল বেঙ্গলবু অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিমশিংনা লম্বা মান্না শান্নরক্তুনা গোল চনবা য়াবগী তঙ্গাশিং ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্লনা লৈনখি। গোল শোত্থরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা হন্দাক্লবা হোৎনরকপগী মহয় ওইনা মেটচকী ৫২শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনাল্টি সুটআউট অমা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ দেবরাজ দাসনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-২দা লৈহনখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শোত্থরিবা গোল অমা অদু হন্দোক্লবা খ্রবসু মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা অরেন্না তাহনখি। মণিপুরনা মখোয়গী অহেনবা গোল হাপচিনবা অমদি গোল দিফেন্দ তৌনবা হোৎনরক্তুনা শান্নরকখিবগী মহয় ওইনা মেটচকী লোয়রমদাই ৮৮ চৎপদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জর্সি নম্বর ৯ মুস্কাননা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা মণিপুরনা মায় পাকপগী খোংফম চেৎশিলহনবা ঙমখি।

বেঙ্গলনা মখোয়গী শোত্থরিবা গোলশিং লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মণিপুরগী মখুৎতা ৩-১দা মায়থিবা নঙহৌখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই থিয়াম জেন্সননা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

*৪শুবা নেসনেল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়ন্সিপ:*

## মণিপুরনা পূন্না মেদল ৮৯ লৌদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ-শরাক এসোসিয়েসন ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা শীন্দুনা কাশ্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী পাহালগামগী হোটেল পার্ক প্লেসতা চথরকপা ৪শুবা নেসনেল শারিৎ-শরাক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুর টিমনা গোল্ড ৫০ অমসুং সিলভর ৩ য়াওনা পূন্না মেদল ৮৯দা পোইন্ট ২৫৯ লৌদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

কাশ্মিরনা গোল্ড ৪, সিলভর ১৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৫দা পূন্না মেদল ৩২দা পোইন্ট ৮৯দা ফার্ষ্ট রন্নরস অপ অদুগা মহারাষ্ট্রনা গোল্ড ৫, সিলভর ১২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২দা পূন্না মেদল ২৯ ফংদুনা পোইন্ট ৮৯ লৌদুনা সেকেন্দ রন্নরস অপ তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা লৌখিবা গোল্ড মেদলশিং অদু সব-জুনিয়র বোইজগী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৩৫দা লোংজম য়োহেনবা মৈতৈ, কেজি ৪০ মখাগীদা লোংজম অঙৌসনা, কেজি ৪৫ মখাদা লোংজম পূন্সিবা মৈতৈ, কেজি ৫০দা সোরাম দেভা, কেজি ৫৫ মথক্তা ৱাহেংবম নেন্সননা লৌখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৩৫ মখাদা মৈস্নাম মালেমঙানবী চনু, কেজি ৪০ মখাদা খাইদেম বিন্দিয়া দেবী, কেজি ৫০ মখাদা প্রিতি মাইবম অমসুং কেজি ৫৫ মথক্তা নোংথোম্বম সর্লা চনুনা লৌবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র বোইজগী কেজি ৩৫ মখাগী অনীশুবা চাইনাবদা মুতুম অঙম্বা মঙাং, কেজি ৪০ মখাদা ঙাশেপম রেইনবো, কেজি ৪৫ মখাদা ইরুংবম বোমসন, কেজি ৫৫ মথক্তা নিংথৌজম তোমথিনঙানবানা লৌখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকী কেজি ৪০ মখাগী চাইনাবা অনীশুবদা লৈচোম্বম এলিনা, কেজি ৪৫ মখাদা লৈমাপোকপম তাপিসনা চনু, কেজি ৫০ মখাদা সামবান্দ্রাম য়াইফবী, কেজি ৫৫ মথক্তা লাঙলেনসনা চনু লৈমাপোকপমনা লৌখি।

জুনিয়র বোইজগী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫০ মখাদা ময়াংলম্বম অবিন্দ্রা, কেজি ৫৫ মখাদা লনচেনবী লাইশ্রম, কেজি ৬০ মখাদা মাইবম পামহৈবা অমসুং কেজি ৬০ মথক্তা কঙাবম নরেস।

জুনিয়র বোইজগী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৪৫ মখাদা সলাম পূন্সিবা মৈতৈ, কেজি ৫০ মখাদা হৈস্নাম রাজু, কেজি ৫৫ মখাদা ক্ষেত্রিময়ুম সনাথোই, কেজি ৬০ মখাদা শামুলাইলাৎপম বোইচা শর্ম্মা অমসুং কেজি ৬৬ মথক্তা ঙাশেপম নিংথেম মৈতৈনি।

জুনিয়র গালর্সকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫০ মখাদা ব্রিন্দা লোংজম, কেজি ৫৫ মখাদা থিঙুজম মেগা, কেজি ৬০ মখাদা তোনিবালা লাইশ্রম অমসুং কেজি ৬০ মথক্তা লাইশ্রম অনশিতানি।

অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫০ মখাদা লৈশাংথেম দৈনা, কেজি ৫৫মখাদা মাইবম তোম্বা দেবী অমসুং কেজি ৬০ মথক্তা লৈমাপোকপম থাসনা চনুনি।

সেনিয়র বোইজকী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৫৫ মখাদা ৱাইরোকপম অর্জুন মৈতৈ, কেজি ৬০ মখাদা থোকচোম এলেক্স মৈতৈ, কেজি ৬৫ মখাদা হঞ্জবম বোইতোন শর্ম্মা, কেজি ৭০ মখাদা ক্ষেত্রিময়ুম তোমথিন মৈতৈ, কেজি ৭০ মথক্তা লাইশ্রম নোইনোই মৈতৈনি। অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫৫ মখাদা সোরাম সনাথোই, কেজি ৬৫ মখাদা এলাংবম জয়চান্দ, কেজি ৭০ মখাদা নামৈরাকপম লৈশেম্বা মঙাং অমসুং কেজি ৭০ মথক্তা হুইদ্রোম হেম্বোইনি।

সেনিয়র গালর্সকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫০ মখাদা থাংজম রিতুসনা চনু, কেজি ৬০ মখাদা ওইনাম রোমা অমসুং কেজি ৬৫ মথক্তা সোরাম থাদোইসনানি। অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫০ মখাদা লোংজম বন্দনা, কেজি ৫৫ মখাদা হাওবম সানুতা চনু অমসুং কেজি ৬৫ মথক্তা লোংজম রোশনিনি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা সব-জুনিয়র বোইজগী কেজি ৫০ মখাগী চাইনাবা অনীশুবদা চিঙাংবম নরেস, সেনিয়র বোইজকী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৬০ মখাদা লোংজম জেমসন অমসুং জুনির গালর্সকী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৪৫ মখাদা বেমবেম লাইশ্রমনা লৌখি।

শরিৎ-শরাক গ্রুপ দেমোদা জুনিয়র বোইজগী টিমনা লৌখি। জুনিয়র বোইজ টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি কাঙুজম রোমিও, পেবম লেম্বা মৈতৈ, থিংবাইজম রোবার্ট অমসুং হৈস্নাম রাজুনি।

ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা দিল্লি মেজিষ্ট্রেট মেম্বর অস্লম খান গোরৱালনা চীফ গেষ্ট, শারিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম জিবননা প্রসিদেন্ট, ওল ইন্দিয়া ওলমাই মসিয়াক বোর্দ য়ুঠ সাদর জম্মু এন্দ কাশ্মির রুফ অহামদ শাহ, সেক্রেটরী ওল ইন্দিয়া য়ুঠ সাদর এস এম য়ুসুফ, গ্রান্দমাষ্টর শরিৎ-শরাৎ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া লাইশ্রম লক্সমোন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট শারিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া নিংথৌজম ইবোহন মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।



## কোচিং হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৫দা চীংমৈরোংদা লৈবা প্রসিদেন্টকী ময়ূমদা পাঙথোকখিবা এম সি মীটিংগী ৱারেপ নম্বর ৪গী মতুংইন্না নোর্ঠ ইষ্টর্ন রি-ওগর্নাইজিং কল্চরেল এসোসিয়েসন (নেরোকা এফ সি)গী অন্দর-১২ অমসুং অন্দর-২০ কেটাগোরিগী রিগুলর কোচিং মথং থা ওক্টোবর ৬তগী হৌরগনি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ূম্নাম বিনোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কোচিং অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিং অমসুং মমা-মপাশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা এদমিসন, ফী ষ্ট্রক্সচর অমসুং অতৈ অকুপ্পা মরোলশিং ভাইস প্রসিদেন্ট এম বিনোই (৬০০৯৭৩৩৮৫৪), ওনররি জেনরেল সেক্রেটরী ডা. এম মণিমোহন (৯৮৫৬৫৭১৬৭৩), সেক্রেটরী য়ুঠ ৱাই বুনোই (৯৮৫৬২০৪৪৬০) নত্রগা ত্রেজরর এম নোবিন (৯২০৬১৪১৫৯০)দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি

## ষ্টেটকী মাষ্টর এক্বাটিক টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

হরিয়ানাগী বহাদুরগাহ ঐচ এল সিটি সেক্তর ৩৭দা লৈবা চেম্পিয়ন এক্বাটিক একাদমিদা থা অসিগী ১১দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২২শুবা নেসনেল মাষ্টর এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা শান্নরোই ৩২ অমসুং ওফিসিয়েল ২ য়াওবা ষ্টেটকী মাষ্টর এক্বাটিক টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুরগী মাষ্টর এক্বাটিকতা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি লাইখুরাম কিমৎ, চিংথাম রঞ্জিৎ, সঞ্জিৎ লাইশ্রম, হিজম সুরজ, তেকচম রোসন, মাইবম জীপু, অরিবম রাধাকান্ত শর্ম্মা, নোংমাইথেম শান্তকুমার, লাইতোঞ্জম সন্তোশ, ময়াংলম্বম ৱার্জিৎ, মাইবম শেরজিৎ, তোইজম রনবির, মাইবম চা চিংলেম্বা মৈতৈ, বচসপতিময়ুম উমাকান্ত শর্ম্মা, কাঙুজম ইবোমচা, লাইখুরাম লেনিন, খনাম বিজয়, লাইশ্রম সোমোর্জিৎ, হিদংময়ুম প্রেমজিৎ শর্ম্মা, য়ুম্নাম সোমোরজিৎ, কোইজম সরত, হুইরেম গোজেন, নাওরেম রাজেন, নামৈরাকপম ইবোতোম্বী, মৈতানকৈশঙম্বম সুবোল, অথোকপম জয়কুমার, নোংমাইথেম নর্জিৎ, নামৈরাকপম খোমদোন, ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গি অমসুং সাপম মোহেন্দ্রোনি।

নুপীগী টিমদা য়াওরিবশিং অদুনা নহাকপম থাসনা অমসুং অথোকপম মানবিনি।

ষ্টেটকী টিম অসি লেনিন হিরোমনা কোচ কম মেনেজর অদুগা অশিস কুমার জোশিনা এসিষ্টেন্ট মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

## কিমি ১০গী মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর সেক্টর সি আর পিকী লমজিং মখাদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা ২০শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সি ওফিস কমপ্লেক্সতা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন পাঙথোকখ্রে।

ওনলাইন অমসুং ওফলাইনগী খুৎথাংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকখিবা লমজেল্লোই ১৮৯কী মনুংদা ১৮৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মিনি মরাথোন অদুদা এন ব্রজাধননা অহানবা, রোসননা অনীশুবা অমসুং কে লমজিংবানা অহুমশুবা তাদুনা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্ট এক্রোসগী বেন্নর মখাদা ১৫৭ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গা খুৎশম্নদুনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১১ অমসুং ১২দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোলদা লৈবা খোরিফাবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

চহী ১৮গী মখাদা লৈবা মীওইশিংনা মেন'স দবলস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমসুশুবদা লুনা লিশিং ১০, ৬ অমসুং ৪গী মনা থল্লি হায়রি।




## সি আর পি এফনা শীন্দুনা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্তর সি আর পি এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ৩২ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লোক্তাকনা শীন্দুনা হেদক্বার্টর ৩২ সি আর পি এফ, এন ঐচ পি সি গ্রাউন্দদা ক্রিকেট টুর্নামের্ন্ট হৌদোকখ্রে।

টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সি আর ই এস এ বিষ্ণুপরনা আর সি এল লগান এলাবেনবু ৱিকেট ৪দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ফ্রেন্দসিপ এলাবেন কুম্বিনা পি সি সি ফুবালাবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতনা আর সি বি বিষ্ণুপুরনা এন টি কে এলবেন নিংথৌখোংবু ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেটচ অসিগী ৱিন্নরনা লুপা লিশিং ১২, রন্নরস অপতা লুপা লিশিং ৮ অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ২গী মনা থল্লি।

নাকল অমরোমদা ১৩৪ বট্টালিয়ন সি আর পি এফগী এম এন্দ এন সেক্তর অমদি সাইনা খুৎশম্নদুনা স্পাদন স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্ট এক্রোসগী বেন্নর মখাদা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলদা টিম ৮না শরুক য়াদুনা ক্রিকেট টুনামেন্ট এন কুঞ্জারানিনা হৌদোকখ্রে। ঙসি ওপনিং মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সঙাই এক্সপ্রেসনা দিয়রবাই উরিপোকপু ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচতনা মঙাললৈমানা কংলাসাবু রন ১১দা মায়থিবা পীখি।

## জি এম জে এস, আর এন্দ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

সোসিয়েল ৱার্করস কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি) খোংমননা শীন্দুনা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অতোম সুপরমেন মেমোরিয়েল টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টগী ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা জি এম জে এসনা আর এন্দ এবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা আর এন্দ এনা আর আরবু রন ১১১দা চাউনা মায়থিবা পীখি।

## মণিপুরদগী শান্নরোই মাপল খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী চুনচেওদা লৈবা সোঙম স্পোর্টস তাউন ইয়র দোমদা থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চুনচেওন ২০২৬ ৱার্ল্ড টাইক্বান্দো পুমসে চেম্পিয়ন্সিপকীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই ৯ তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিগীদমক খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি ওভর ১৭ ফ্রিষ্টাইল মিক্স টিমদা নোংদ্রেন খাবা, লিম্থোই পোৎশংবম, লাইশাংবম চিংথাঙম্বী চনু, অয়েকপম অকাস, ৱাহেংবম লনখোম্বা মৈতৈ, লৈতাম্থেম দীপকনি।

অন্দর-৫০ পোমসে নুপা টিমদা লাইশ্রম দিঙ্কু, সোয়াম চীংলেম্বা, পঙাম্বম রিংগো মৈতৈনি। অন্দর-৪০গী ইন্দিভিজুয়েল মেল পোমসেদা লাইশ্রম দিঙ্কুনি।

মণিপুর এমেচর চাইক্বান্দো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা হৌখিবা মার্চকী ২৭ অমসুং ২৮দা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৪০শুবা ষ্টেট লেভেল চাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল লেভেলদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোই খনখি। খল্লবা শান্নরোইশিংনা চহী অসিগী জুলাই ৮দগী ১১ ফাওবা পুনেদা পাঙথোকপা ৫শুবা ইন্দিয়া টাইক্বাদো পুমসে নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা পীখিবা মখোয়গী পার্ফোমেন্সতা য়ূম্ফম ওইরগা শান্নরোই ৯ অসি খনখিবনি হায়রি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com